চহী ৬৬শুরগা এথলেটিক্সকী কান্নবা খঙলকপা থাংমৈবন্দগী ইবোতোন

- লৈশাংথেম অজিৎ -

নোংমাইজিং নুমিৎ নত্তনা মহাক্না নুংতিগী অয়ূক্তা ষ্টেদিয়ম মনুংদা চঙবা মতমদা নুপীমচা অমসুং নুপামচা এথলেটশিং অদুনা 'গুদ মোর্নিং' পাবুং হায়দুনা মহাকপু তরাম-তরাম্না ইকায়খুম্ননা কৌরম্মী। মদুদা মহাকসু খুদক্তা 'গুদ মোর্নিং' হায়না পাউখুম পীরম্মী। মহাক্না ত্রেক মনুংদা খোঙনা শাজেল ওইনা চৎলিঙৈদা (ৰাকিং চৎলিঙৈদা) মহাক্কী কোচশিংবু গুদ মোর্নিং সর, গুদ মোর্নিং মেদাম হায়না তরাম্না কৌজরম্মী। মিটর ৪০০ শাংবা ত্রেক অদুগী অকোয়বদা খোঙনা রাউন্দ অনী নৎত্রগা অহুম চৎলবা মতুংদা মহাক্কী হকচাং অদু শাগৎলম্মী অদুদগী শাজেল খরা তৌরগা জোগিং অমুক তৌরম্মী। মদুগী মতুংদা মহাক লমজেল তান্নবদা শরুক য়ানবা লমজেলগী প্রেক্টিশ তৌই। মহাক্না অহানবা ওইনা প্রেক্টিশ তৌবদা মিটর ৪০০গী রাউন্দ ৩লক নৎত্রগা ৪রক কোয়না চেল্লম্মী। নুমিৎ খরনিগী মতুংদা রাউন্দ ৭তগী ৮ ফাওবা চেল্লি, করিগুম্বদা রাউন্দ ১০সু চেল্লি। মসিগা মান্নবদি কিলোমিটর ৪নি। লমজেল প্রেক্টিশ তৌবগী মতাংদা অসুম্না হায় মদুদি মহাক্না মহাক্কী ওজা (কোচ) মেদাম রাশোরিগা তানদুনা মাগী পাউতাক লৌই।

রাশোরি মণিপুর য়ুথ এফ্যেরস এন্দ স্পোর্টস দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র এথলেটিক্স কোচনি। মহাক নেসনল ইন্সটিট্যুটস ওফ স্পোর্টস, বেঙ্গলোরদগী এথলেটিক্স কোচিংগী দিপ্লোমা ফংলবী লমদম অসিগী শক্লাইরবী কোচ অমনি। মহাক্কী মপুরোয়বা ব্রোজেননা মণিপুর লৈঙাক্কী হোকিগী কোচনি। মহাকসু নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতগী ত্রেনিং অমদি কোচিংগী দিপ্লোমা পায়রবা কোচনি। শ্রী ইবোতোন্না অসুম্না হায় মদুদি মহাক্না য়াম্না তোয়না কোচ, ওজা রাশোরিগা তানৈ অমদি মহাক্কী পাউতাক লৌই। নোংমদি রাশোরিনা মঙোন্দা অহানবা ওইনা দম হায়বদি ইন্দুরেন্স হেনগৎনবা অমদি মথংদা মপাঙ্গল (ষ্ট্রেঙথ) অমসুং য়াঙবা (স্পীদ) হেনগৎনবা হোৎনগদবনি হায়রম্মী অদুগা মহাকপু মিনট ৪০ তপ্লপ্পা শাংনা (স্লো কন্টিনিয়স) চেল্লু হায়রম্মী। মদুদা লমজেল্লোই অসিনা অনীংবা অমগা লোয়ননা ওজানা হায়রিবা অদু পাঙথোক্লম্মী। নুমিৎ খরনিগী মনুংদা মহাক্কী ওজানা পীরিবা রুতিন অদুগী মতুংইন্না থবক চত্থরম্মী। হান্নদগী হেন্না দম হেঙ্গৎলে, য়াঙবসু হেঙ্গৎলে, হান্না মিনট ৪০গী মনুংদা চেল্লম্বা অথাপ্পা অদু মিনট ৩০গী মনুংদা চেনবা ঙল্লে। মসি খুমন লম্পাক্কী মেন ষ্টেদিয়মদনি। ষ্টেদিয়ম অদু চঙবদা লম্পাক অদু মখূৎ য়েৎনা লাইবক কৎলি অদুগা ময়ূমদা হল্লমদাইদসু লাইবক অমুক্তা কৎলি।

থাংমৈবন্দদা লৈবা শ্রী ইবোতোন, লৈঙাক্কী থবক্তগী পোত্থারবা ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী অচৌবা ওফিসরনি। মহাক এথলেটিক্সতা থবক্তগী পোত্থারবা মতুংদা খোঙদারকপনি। শান্ন-খোৎনবগী থবক্তা থৰায় হকচাং য়াওনা হোৎনরিবা অসিগী তাঙ্কক হৌদ্রিঙৈগী মতমদা মহাক্কী থবক হায়বদি উমংগী মরমদা কা হেন্না থৰায় য়াওবা উমং-ৰামং অমদি মখল মখা অয়াম্বা মীরৈবাক্তা ফংবা উশিং অমদি লমদম অসিগী উ মখল মখা অয়াম্বশিংগী মরমদা থিজিন খোচিনবদা থৰায় য়াওবা, মসিগা মরী লৈননা লাইরিক ইবা নুপানি। মহাক খুমন লম্পাক্কী শান্নফমদা নুমিৎ খুদিংগী (ছুটি নুমিৎ নত্তনা) লাক্তুনা এথলেটিক্স প্রেক্টিশ তৌই। অদুবু মহাক্কী চহীগী গ্রুপ্তা মাষ্টর এথলেটিক্সকী ষ্টেটকী থাক্তা অথোই অহেন তান্নবদা শরুক য়াবা খক্তা নত্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী মফমশিংদা নেসনল চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াদুনা অশেংবা স্পোর্টসকী স্পিরিটতা তমজনীংঙাই ওইরবা শান্নরোয় অমা ওইরি।

মহাক্না খুমন লম্পাক্কী ষ্টেদিয়মদা অহানবা ওইনা চঙলকপগী নোকনীংবা থৌদোক অমা মহাক্না হায়রি। নোংমা, মহাক্না অনৌবা মী অমা ওইনা, আহনবা ওইনা ষ্টেদিয়ম মনুংদা চঙলম্মী অদুগা মহাক্কী লমজেলগী প্রেক্টিশ অদু হৌরম্মী। মতম অদু নেসনল মাষ্টর এথলেটিক্স পাঙথোক্কদবা মতম খজিক্তা ঙাইরবা মতমনি। তশেংবদি ষ্টেদিয়ম অসি নহা ওইরিবা এথলেটশিংগী শান্নফমনি। মখোয় ওজা, কোচশিংগী মখাদা ত্রেনিং তৌবনি। মহাক্তি অদুগী মরমদা করি খঙবা নত্তে। মথংগী নুমিত্তা ষ্টেদিয়মগী গেৎতা লেপ্পুনা লৈরিবা থোঙ ঙাকপা, হোম গার্দ অদুনা মঙোন্দা আইদেন্টিটি কার্দ য়াওব্রা-য়াওদব্রা হংলম্মী। মদুদা মহাক্না থৌনা ফনা য়াওরি হায়না খুমদুনা মঙোন্দা য়াওরিবা মাষ্টর এথলেটিক ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী আইদেন্টিটি কার্দ অদু পুথোকপদা ইৰায় লায়না চঙহনখি। মথংগী নুমিৎতা মহাক্না গেট অদু হেক য়ৌবগা মঙোন্দা চিংনবা অমা পোল্লম্মী। অদুনা মহাক শেম শাদুনা পাউখুম পীনবা লৈরম্মী। গেৎতা হেক চঙবগা হোম গার্দ অদুনা মহাক্না পায়রিবা আই কার্দ অদু ষ্টেদিয়ম চঙবা য়াদে হায়রম্মী। মদুদগী মহাক্না হোম গার্দ অদুদা ষ্টেদিয়মগী ইন চার্জ অদুগী মনাক্তা পুবীনবা হায়রম্মী। মহাক্না ইন চার্জ অদু উনরগা মহাক আই কার্দ করম্না লৌগদগে খঙজদে, মদু ফংনবা মওং অদু তাকপীয়ু হায়বদগী নুপা অদুনা মহাকপু মনুংদা পুশিনবীখি। অদুবু নুপা অদু তুমিন্না শাউবগী মওংদা ঙাঙবগুম তৌই। মতুং তারকপদা দরকার লৈবা চে চাং পীশিনখিবদগী মঙোন্দা থা ৬কী চৎনবা কার্দ অমা পীখি। ষ্টেদিয়ম চঙবা য়াই-য়াদে হায়বা খঙদনা মহাক্না করম্না ষ্টেদিয়ম মনুংদা চঙলুরিবা হায়বসি মঙোন্দা পাড়া অমা ওইখি। অদুগী মথক্তা মহাকপু খঙবা কনা অমত্তা ষ্টেদিয়ম মনুংদা অমদি থোঙ্গালদা লৈতে।

মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ, চহীগী ওইবা, চহী ৩৫গী মথক্কী ইন্দিয়াগী এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকপদা মণিপুর টিমসু শরুক য়ানবা ত্রায়ল য়াওরুবদা মহাকসু ষ্টেট অসিগী মহুৎ শীন্নবা খল্লকপদা মহাক অঙকপা ফংনা হরাওখি। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মহাক্না করিগুম্বা অমত্তা খঙদনা ষ্টেদিয়মদা লাকখিবা, ত্রায়ল য়াওখিবা, মণিপুর টিমগী খল্লকপা অদু নীংশিংলুরগা মহাক নোকনীংবা পোল্লম্মী, ইকায়বসু পোল্লম্মী, অশোয়বা থবকসু খঙলম্মী। অহল ওইশিল্লকপদা থেংনবা এক্সপরিয়েন্স অমনি হায়না হায়খি। মহাক য়াম্না তোয়না নহা ওইরিবা এথলেটশিং অদুগা প্রেক্টিশ তৌমিন্নরে অমদি মখোয়গা য়াম্না নকশিন্নদুনা মখোয়গী কাঙলূপ অদুগা তিন্নখ্রে। মখোয় অয়াম্বগী মমিং মহাক্না চিনফা পুবা ঙমলে। চহী খুদিংগী, চহী ৩৫গী মথক্তা লৈবা নুপা-নুপীশিংগী মালেমগী থাক্তা এথলেটিক্সতা অথোই অহেন তান্নহনবগী থৌরম পাঙথোকই। মসিগীদমক চহীগী গ্রুপশিং খায়দোকই। গ্রুপশিং অদুদি চহী ৩৫দগী চহী ৩৯ ফাওবগী গ্রুপ অমা, চহী ৪০দগী ৪৪ ফাওবগী গ্রুপ অমা, চহী ৪৫দগী চহী ৫০ ফাওবগী গ্রুপ অমা, অসুম্না চহী মঙা/মঙা খেন্নবা গ্রুপশিং খায়দোল্লগা চহী ১০০ শুবা মীওইশিং ফাওবা নেসনল অমসুং ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপশিংদা শরুক য়াই। ইবোতোন চহী ৬৬ হেল্লে। মহাক্না অঙাং শান্নরোয়শিং অদুগা ত্রেনিংনচিংবা এক্সর্সাইজ তৌবা মতমদা মহাকসু য়াওশিল্লি। চহী ৬৬ হেল্লবা মহাক্না অঙাংশিং অদুগা তিন্নবা হোৎনবা অমদি মখোয়গা লোয়ননা ইনখৎলক্লিবা এথলেট নহা অমগুম্না শাজেল তৌমিন্নদুনা মশা অদু হুমাংনা পুমচোৎ চোৎলে। মঙোন্দা অৱাবা, নুংঙাইতবা অমত্তা লৈত্রে। মহাক মশাসু ফগৎলে, ৰাখলসু নুংঙাইরে। মহাক্না অসুম্না হায়রকখি মদুদি লায়েংবগী মহুত্তা হকচাং ফনবা হোৎনৌ।

মহাক্না মখা তানা হায় মদুদি চহী ৯০গী মথক্তা লৈবশিংনা নেসনল মাষ্টরস এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা শরুক য়াই। মী খুদিংমক শিগদবা লৈরে অদুনা মহাক হকচাং ফনা পুন্সি লোইবা পাম্মী। মহাক কুমজা ২০১৪দা বেঙ্গলোরদা পাঙথোকখিবা নেসনল চেম্পিয়নশিপ অমদা ইহান হান্না ইন্দিভিজুয়েলগী থৌরমদা শরুক য়াখিবদা মেদল অমত্তা ফংখিদে। অদুবু ৪ x ৪০০ মিটর (4x400) গী রিলে রেসতা শরুক য়ারুবদা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংখি। মেদল অসিনা মহাক্কী পুন্সিদা নেসনল থাক্কী এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ্তা ফংখিবা অহানবা মেদলনি। মহাক অঙকপা ফংনা হরাওজখি। মেদল অসিনা মহাকপু এথলেটিক্সকী হীরমদা অচৌবা খোঙথাং অমা থাঙজিনবা হৌখ্রে। ●

ষ্টেটকী পাউ

মণিপুরী লেংগ্বেজপু অসাম লৈঙাক্কী এসোসিএট ওফিসল লোল ওইহন্নবা চেরোল পীশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): মণিপুরী য়ুথ ফ্রন্ট অসামনা মণিপুরী লেংগ্বেজবু অসাম লৈঙাক্কী এসোসিএট ওফিসল লোল ওইহনবীয়ু হায়না ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টতা মেমোরেন্দম থাখ্রে।

কছার দিষ্ট্রিক্টকী এদিসনল দেপ্যুটি কমিস্নার রাজিব রোয়গী খুত্থাংদা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট রামনাথ কোভিন্দ, প্রাইম মিনিষ্টর, অসামগী সী এম, গভর্ণর অমদি ওফিসল লেংগ্বেজ ইমপ্লিমেন্টেসন দিপার্টমেন্টকী দিরেক্টরদা মেমোরেন্দম পীশিনখি।

মেমোরেন্দম অদুদা পল্লিবদি অসামদা মণিপুরীশিং ১৫শুবা সেঞ্চুরিদগী খুন্দারক্লবনি। অসামগী দিষ্ট্রিক্ট ১৩ দা মীওই লাখ ৫ রোম খুন্দারি। লৈঙাক্কী সর্ভিস তৌবা কয়াসু লৈরি। কুমজা ১৯৫৬তা অসাম লৈঙাক্না অয়াবা পীদুনা মণিপুরী মেদিয়ম স্কুল লৰার প্রাইমারী লেভেলদা তম্বা হৌখি। কুমজা ১৯৬৩দা অপ্পর প্রাইমারী অমদি কুমজা ১৯৭৬তগী অসামদা মণিপুরী মেদিয়মনা ঐচএস এল সী এগজাম থাবা য়াবগী অয়াবা পীখি। কুমজা ১৯৭৯দা হায় স্কুল ২৬তা মহৈরোয় ১০৪৩ মায় পাকখ্রবা মতুংদা মাষ্টরনচিংবা তম্লরি। কুমজা ১৯৯২দা ৮শুবা সেদ্যুল চনখ্রবা মণিপুরী লোলনি।

মণিপুরী মেদিয়ম স্কুল ১০২ অসাম লৈঙাক্না রেকগনাইজ তৌদুনা তন্নিবা লোল অমগী ফংফম থোকপা রাইট ফংহনবীয়ু। অসাম লৈঙাক্কী এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা এমেন্দমেন্ট তৌখিবা অসাম পব্লিক সর্ভিস কমিস্সন্না লৌবা এগজামদা অসামিজ, বোরো, বেঙ্গলি হায়খিবা অদুদা অতোপ্পা লোলগী ওপসন পীদ্রিবা করিগীনো। মণিপুরী লোল ৮শুবা সেদ্যুলদা চল্লবনি। য়ু পি এস সী এগজাম ফাওবা মণিপুরী লোলনা থাবা য়ারে। ঙসি ফাওবা অসামদা তারিবা মণিপুরীশিংগী মণিপুরী লোলগী রাইট অদু অসাম লৈঙাক্না মৎতুনা লৈরি হায়না এম ৰাই এফ এগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেরাজিৎনা ফোঙদোকখি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, অসামদা খুন্দারবসু দেম্মক্রেটিক রাইট কয়ামরুম অসাম লৈঙাক্না পীবীদে। লৈঙাক অসিনা থওইবীরক্তবনি হায়না লৌই। হৌরক্লিবা মণিপুরী ফুরুপচাশিংগী তুংগীদমক খল্লগা মণিপুরী লোল অসি অসাম লৈঙাক্কী এসোসিয়ট ওফিসল লেংগ্বেজ ওইনা লৌশিন্নবা দিমান্দ তৌবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

সিটি পুলিস ষ্টেসন্দা বেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী এৱার্দ পীরক্লে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচএনএস): মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা লৈবাক অসিগী ওইনা থবক খ্বাইদগী ফবা পুলিস ষ্টেসনশিং খনগৎপদা মণিপুরগী ওইনা সিটি পুলিস ষ্টেসন অসি বেষ্ট পুলিস ষ্টেসন ওইনা খনগৎপগা লোয়ননা এক্সিলেন্স এৱার্দ পীরকখ্রে।

মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেরসনা পীরকখিবা বেষ্ট পুলিস ষ্টেসনগী সর্টিফিকেট অদু ঙসি ইম্ফাল পুলিস হেদ ক্বার্টরদা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা মণিপুরগী দি জি পি এল এম খৌতেনা সিটি পুলিস ষ্টেসনগী ও সী ইন্সপেক্টর সুধিরদা খুৎশিন্নখি। ঙসিগী থৌরম অদুদা এদিসনেল দি জি পি এল কাইলুন, আই জি পি ক্লে খোংসাই, দি আই জি আই কে মুইভা অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি কে মেঘচন্দ্রসু শরুক য়াখি।

ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলাগী খুভমদা উ-চারা মখল কয়া থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ৩০ (ঐচ এন এস): বন মহোৎসবকী মাঙওইননা মণিপুরগী পুৱারীগা শাগোন্নদুনা লৈহৌরগদবা ককচিংগী মচিন-মনাও চীংলক্তা লৈবা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলাগী খুভমদা ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪ মেট্রিক বেটচনা উ-চারা কয়া থাখ্রে।

উ-চারা থাখিবা অদুগা মরী লৈননা এন মুনালনা ফোঙদোকখিবদা, মতম খরগী মতুংদা মফম অসি টুরিষ্টশিংগী য়াম্না মরুওইবা মফম ওইরক্কনি। এংলো মণিপুরী ৱারদা ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলানা লুচিংদুনা লাঞ্জাবা ওইনা লাকখিবা থৌনা ফরবা লাম্মী ২০ মফম অসিদা কুমজা ১৯৮১গী এপ্রিল ২৩ দা মরৈবাক্কীদমক থৰায় থাখি। পোইলা হায়বা ফম অসি সুবেদারগা মেজরগগী মরক্তা লৈবা মতম অদুগী লাম্নীগী ফম অমনি।

ঙসি ৱাংখৈ মৈরাবা খক মীয়াম্না নীংশিংজরবসু খুভম অসি য়ৌবা মতমদদি ঐখোয়না শকখঙহৌদ্রবা অথৌবশিং অদু নীংশিংহল্লি। টুরিষ্টশিংগী মরুওইবা স্পোট অমা ওইগদৌরিবা মফম অসিবু ফজনবা ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪ মেট্রিক বেটচনা হেন্না ফজবা নীংশিং খুভম ওইনবগীদমক উ-চারা থাবনি। মীয়াম্নসু উ-চারাশিং অসি হৌহনবদা মতেং পাংবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলাগী খুভমদা ককচিং হায় স্কুল ১৯৮৪ মেট্রিক বেটচকী প্রসিদেন্ট এন মুনাল য়াওনা মীওই কয়াসু শরুক য়াখি। উ-চারা মখল কয়াসু থাখি।

[illegible]/BANK PASSBOOK LOST

I have lost my SBI Bank Passbook of Chakpikarong Branch bearing A/C No. 32561920942 on the way between Sugnu and Chakpikarong on 26/6/2020. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

HL-P/7231/01

Sd/- Vahneikim



COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION,
MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, the 29th June, 2020

No. 2/61/97-HSC: In continuation of this office letter of even number dated 20-06-2020 under Resolution No. 1.1 of the Examination Committee Meeting held on 17-06-2020 and in view of the gravity of the Pandemic COVID-19, the following Examination Venues/Centres of remaining subjects of the Higher Secondary Examination, 2020 to be held on 7th July, 2020 has been re-arranged as under:

Sl. No.	Old Exam Centre	New Exam Centre
1	Padma Ratna English School, Kakching Wairi	New Baby English School, Kakching Wairi

(a) The Examination shall be conducted by following the strict guidelines of the Home Ministry, Government of India vide D.O. No. 40-3/2020-DM-I(A) dated 20th May, 2020.

(b) For amalgamated examination centre(s), the examination shall be conducted by the former Supervising Officers (S.O), Officers-in-charge (O.Cs.), A.O.Cs., etc. of the respective examination centres.

(c) For changed/shifted examination centre(s), the former S.O., O.C., A.O.C. Invigilators, Officials etc. of the earlier examination centre shall conduct the said examination and building of the newly utilized institution(s) shall only be used.

(d) The Examination Centres/Venues which are not included in the above list shall remain unchanged.

All the Supervising Officers, Principals, Officers-in-Charge, Assistant Officer-in-Charge, Supervising Invigilators (S.I), Invigilators and Staffs involving in the examination are requested to make necessary preparation for smooth and fair conduct of the said examination in the interest of the students in particular and public at large.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr.Sec.Edn., Manipur

HL-B/6241/01

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR

Ref :- Mut. Case No. 285/AS&SO/TBL, dt: 17-06-2020

Thokchom Basantakumar Singh S/o (L) Joykumar Singh of Khangabok Awang Leikai. -Applicant

-Vs-

(Late) Thokchom (O) Sanahalbi Devi W/o (L) Irabot Singh of Khangabok Awang Leikai. - Opp.

[illegible] / **NOTICE**
Dt. 27/06/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি তহশিল থৌবালগী খুল নং ৩৩ - খাঙবোক্কী পাট্টা নং ১১৭২/১৬১৭ (অরিবা), ৮৫৪ (অনৌবা), দাগ নং ৪৩৮৩, এরিয়া হেক্তর ০.০৮৯৩ হে: চাউবা ইঙ্খোল অসিদা নামা পাল্লিবা পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা মৃ: পাট্টাদারগী মচা নিপা থোকচোম বসন্তকুমার সিংহগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না মথক্কী উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মথক্কী কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থাদুনা য়েৎলবা য়াগনি। নৎত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা অপতি কোর্ট অসিনা লৌরোই।

Sd/- **M. Ningthembi Singh**
Assistant Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/7229/1

[illegible]/ লোন পীবিদুনা শেল-থুমগী অৱাবদা মতেং পাংবীয়ু

মতম কুইনা লৈবাক্কী অথিংবা লৈখিবদগী হান্না করবার মচা-মচা তৌজরম্বশিংসু লেপ্পুরে। লৈজরম্বা পৈশা পূম্নমকসু লোইশিনখ্রে। হিংদবদি য়াদবনিনা হান্নগী করবারশিং হৌননবা মাইক্রো ফাইনান্স গ্রুপশিংনা লোন পীবিয়ু। লায়রবা ঐখোয়না বেঙ্কতগী লোন লৌননবা লম্বী লৈতে, মাইক্রো ফাইনান্স তৌবীরিবশিংনা লোন পীবিদুনা লায়রবা ঐখোয়গী হিংননবা উপাই পীবিয়ু।

হায়জরিবা : **Engellei Self Help Group Sugnu Mamang Leikai.**

HL-P/7231/1

[illegible]/অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা, হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা অদু মপান্দা লোইনা তারকউ য়াদবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোল্লগা লৈবা, করিগুম্বদা খোঙ হাম্বসু য়াদবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি

ঐগী হকচাংদা নূংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু মরেং-মরেং চৎলগা হাকৎচবা, শা-ঙা চারগনা হেন্না হাকৎচবা, খোঙ হাম্বা মতমদা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা, হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ হাম্বা অদু মপান্দা লোইনা তারকউ য়াদবা, অমাংথোঙ মনুংদসু পল্লগা লৈবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা অমদি শেংদোকপা, অমাংথোঙ মনুংদা লৈবা অমাংবশিং অদু শেংদোকহৌদবা তারগদি চিকলিশারি তৌরগা য়াম্না নুংঙাইতবা, করিগুম্বদা খোঙ হাম্বা য়াদবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা মতমদা খ্বাং য়াম্না নাবা অমদি পুক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চাবা থকপসু য়াদবা, হকচাংগী মফম খুদিংদা চিকপা নাবা, অমাংথোঙ মনুং অমদি মপান্দা সাপোন্না শেংনবনি হায়না চাল্লুবদগী অমাংথোঙগী অকোয়বদু চাউনা পোমথোরকপা, অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাউনা পোমথোরকপনা ফম্বা য়াদবা, পোমথোরকপা অদুনা চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট এন্দ নেসনল এৱার্দ ফংলবা Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439 দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

থাগৎচরিবা : **Y. Madamohon Singh, Patsoi**

HL-P/7172/01

MANIPUR POLICE HOUSING CORPORATION Ltd.
(A GOVT. OF MANIPUR UNDERTAKING)
IMPHAL, MANIPUR.

NOTICE INVITING e-Tenders

The Executive Engineer-III, invites on behalf of Managing Director,MPHC Ltd., online item rate bids on two bid system of the following work:

e-Tender 02/EE-III/2020-21 dated 27/06/2020 for the work "Construction of 12(twelve) EVM and VVPAT Warehouse in Manipur
(SH:-Construction of Churachandpur DEO/DC EVMs Strong Rooms)".
(i) Estimated cost:- Rs. 2,13,83,642./- (ii) Earnest Money:- Rs.4,28000/- (ii) Period of completion :- 10(Ten) months (iv) Last time and date of submission of bid :-1400 hrs.of 15/07/2020.

The bid form and other details can be obtained from the website www.manipurtenders.gov.in

HL-P/6240/01

[illegible]/MEDICAL JOB

Urgently required
4 Exp. Lab. Technician
Minimum 3 yrs with Comp. knowledge
Omega Diagnostic Centre
Opp. ARIES RESTAURANT
URIPOK IMPHAL
Contact : 8415945108

HL-P/7226/1,2,3,4,5,6,7

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 118/SDC/Kakching, dt. 10/02/2020

1. Oinam Arunkumar Singh S/o (Late) Oinam Chaoba Singh of Singjamei Oinam Thingel.
2. Oinam Lokendrajit Singh S/o (Late) -do- of -do-
3. Oinam Bhumendro Singh S/o (Late) -do- of -do-
4. Oinam Nolendro Singh S/o (Late) -do- of -do-
5. Oinam Ibobi Singh S/o (Late) -do- of -do- - Petitioners

-Verses-

1. (Late) Oinam Tharojao Singh S/o Golap Singh of Oinam Thingel.

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Late Pattadar Oinam Tharojao Singh S/o Golap Singh of Oinam Thingel গী নামাদা লৈবা ককচীং তহশিলগী খুল নং ৬১/ইরেংবন্দ ১) অরিবা পাট্টা নং ২০৬/অনৌবা পাট্টা নং ৩৩৮গী দাগ নং ২৪, এরিয়া ০.২৬০০০ হেক্তর ২) অরিবা পাট্টা নং ২০৬/অনৌবা পাট্টা নং ৩৩৭, দাগ নং ২৩গী এরিয়া ০.৬১০০০ হেক্তর অমসুং ৩) অনৌবা পাট্টা নং ৮৬১/২৯২, দাগ নং ১২৮০গী এরিয়া ০.৪৫০০০ হেক্তর চাউবা ফৌরেল লৌফম, পাট্টা অহুম অসিগী লোইনমক অসি Late ওইখ্রবা পাট্টাদার অসিগী মশুনুপাশিংনা নামা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌজরোই, কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector, Kakching**

HL-P/7228/01

[illegible]/থাগৎপা ফোঙদোকচরি

টি ঐচ জাদুমনি সিংহ, সোসল ৱার্কর অসিনা খাঙবোক প্রজা মীয়াম্না ঈশিং ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা অসি খঙবীদুনা টি ঐচ জাদুমনি সোসল ৱার্কর অসিনা ঈশিং পীবিদুনা লৌমী প্রজাশিংগী লৌ পালহনবীবগীদমক ফার্মরস সোসাইটি খাঙবোকনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অদুগা হায়রিবা সোসল ৱার্কর অসিনা তৌরু-তৌরুবা থবক খুদিংমক্তা মায় পাকপা ওইরসনু হায়দুনা ফার্মরস সোসাইটি খাঙবোকনা অমুক্কসু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Moirangthem Nandabir Singh
Secretary
Farmers' Society, Khangabok

HL-P/7224/01

OFFICE OF THE
IBOTOMBI INSTITUTE OF EDUCATION
KHA NAOREM LEIKAI, LIWA ROAD, CANCHIPUR

[illegible] / ADMISSION NOTICE

MIMA/IIE/Admn/2020-512(2) : Application is prescribed form are invited from eligible candidates for admission to two years regular course in B.Ed. and D.El.Ed. course, 2020-2022. Log on to www.mimaiie.in to download the application form and for other admission related information. The last date for submission of duly filled-up application form is 18th July 2020.

Sd/- Samantajit Mayengbam
Administrative Officer, # 9612661296

HL-P/7230/01

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING

Ref :- Mutation Case No. 117/SDC/Kakching, dt. 10/02/2020

1. Oinam Arunkumar Singh S/o (Late) Oinam Chaoba Singh of Singjamei Oinam Thingel.
2. Oinam Lokendrajit Singh S/o (Late) -do- of -do-
3. Oinam Bhumendro Singh S/o (Late) -do- of -do-
4. Oinam Nolendro Singh S/o (Late) -do- of -do-
5. Oinam Ibobi Singh S/o (Late) -do- of -do- - Petitioners

-Verses-

1. (Late) Oinam Khomba Singh S/o Gulap Singh of Oinam Thingel.
2. (Late) Oinam Tharojao Singh S/o -do- of -do-

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি Late 1. Pattadar Oinam Khomba Singh S/o Gulap Singh of Oinam Thingel. 2. Late Oinam Tharojao Singh S/o -do- of -do- গী নামাদা লৈবা ককচীং তহশিলগী খুল নং ৬১/ইরেংবন্দ অনৌবা পাট্টা নং ৩৩৫, দাগ নং ১৮গী এরিয়া ০.৫৩০০০ চাউবা হেক্তরগী ফৌরেল লৌফম লোইনমক অসি মথক্তা পীরিবা দংকারিশিং অসি Late ওইখ্রবা পাট্টাদার অনীগী মশুনুপা ঙাক্তনি। মরম অদুনা এপ্লিকান্ট মখোয়শিং অসিদা নামা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানীংদবা য়াওরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা কোর্ট অসিদা ওবজেক্সন তৌগদবনি। মতুংদা লাকপা ওবজেক্সন লৌজরোই, কেস মখা চত্থজগনি।

Sd/- S. Ibomcha Singh
SDC/Kakching

HL-P/7228/01

[illegible]/নূংশঙ (পাইলস) ওপরেসন তৌদনা ফহল্লি

Naorem Ibomcha

নূংশঙগা মরী লৈনবা লায়ওং খুদিংমক :- মপান্দা পোম্বা, তংবা, ঈ তাবা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, অমাংথোঙ চোম্থবা, নাই চারগা পোম্বা অদুগা মখুল হূৎলকপা (ফেষ্টুলা), মনুংদা পোম্বা (হেমোরোয়র্দ), হাক্কৎচবা অদুগা খোঙ হাম্বা য়াদবা অসিনি। অদুগা অতোপ্পা লায়ওং খরনা হকচাংদা তাং-তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ-খূৎতা চিকপা, পোম্বা, পংথবা-শিথবা হকচাংগী শরুকশিংদা শিংলি-নাওরি নুংঙাইতবা হায়রিবা লায়ওংশিং অসি ফহন্নীংবা লৈরগদি হংবীনীংবা লৈরগদি অমুক্তং লেংথোকপীরক্তুনা তানবীয়ু।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai
Contact Nos. 8014023792/6009147645

HL-P/7203/27 june to 26 july

[illegible] / SAHWA SOLUTION

[EPA (USA) approved as Hand Sanitizer under 21 CFR 178.10.10]
(Most Safety and Effective Hand Sanitizer)
No Alchohol / Chemical / Flavour

করিগুম্বদা শোয়বদগী থকচিল্লুবদা য়াম্না খুদোংথীনিংঙাই ওইবতা নত্তনা তোয়না মৈহৌ-লাংপোক থোকহন্দুনা অকি-তুজুংবা পীরিবা, skin irritation/allergic নচিংবসু হেক-হেক থোকহল্লিবা alcohol অমসুং chemical না শেম্বা Hand Sanitizer শিংদগী মীয়াম্না চেকশিনবীয়ু। মসিগী অমত্তা ঙাইরবা solution দি SAHWA Disinfectant Water Solution নি। মরমদি, মসি শুপ্নতগী ঈশিং + থুম + ইলেক্ট্রিকনা পুনশিন্দুনা eclectrolyzed water অমসুং hypochlorous acid নচিংবা পুথোরকই। মপাঙ্গল লৈরবা মচলশিং অসিনা মখল খুদিংগী germ, bacteria অমসুং virus তুম্না হাৎপা ঙম্মী। অমেরিকাগী Food and Drug Administration (FDA) অমসুং Environment Protection Agency (EPA) অনীনা Certified তৌরবা Federal Innovation Award ফংলবা টেক্নোলোজি অসি জর্ম্মন্না পুথোরকপনি। Chlorine অমসুং Bleaching দগী শরুক ৮০ হেন্না মপাঙ্গল কনবা disinfectant solution নি। মী অনম্বনা alcohol অমদি chemical না শেম্বা sanitizer শিংদা থাজনৈ অদুবু অলকোহোল অমদি কেমিকেলনা germ, bacteria অমসুং virus পূম্বা হাৎপদি ঙমদে, SAHWA গী solution নদি পূম্নমক তুম্না হাৎপা ঙম্বতা নত্তনা তশেংনা safety অমসুং organic সু ওই। চাওখৎলবা Europe কী লৈবাকশিংদা SAHWA গী parent company অমসুং sister company কয়ানা সোলুসন অসি তোঙান-তোঙানবা ব্রান্দদা COVID-19 দগী ঙাকথোক্নবা খ্বাইদগী মপাঙ্গল লৈরবা hand sanitizer ওইনা শীজিন্নরি। SAHWA না areal disinfection, floor sanitation নচিংবা তৌদুনা অকোয়বগী ঈশিং-নুংশিৎ শেংদোক্তুনা COVID-19 দগী ঙাকথোক্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী effective ওই। SAHWA Solution লিটর অমদা ঈশিং লিটর ১০০০দা হাপ্পদা সেকেন্দ ৩০গী মনুংদা germ/bacteria পূম্বা তুম্না হাৎতুনা zero chemical/zero bacteria ওইরবা থক্কবা অফবা ঈশিং ওইহল্লি। অফবা ঈশিং দরকার ওইবা মফম খুদিংমক্তা SAHWA Disinfectant Water Solution শীজিন্নবীয়ু। খ্বাইদগী হোংবা অমসুং effective ওইরবা SAHWA Solution কাউবীরগনু।

Sd/- A. Birendra Singh
Proprietor, Modern Food Technology

HL-P/7227/1

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।